হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, ওগষ্ট ২১, ২০১৭, ইম্ফাল

৪১ শুবা চহী, ১৪৭ শুবা মশীং


# পুলিসকী গাড়ীনা য়ু পুরম্বা

## য়ু পুবদা চেন্নরিবশিং ফারগা কোর্টতা পুথোকফম থোকই

মীয়ামগী ৱাকৎ অমসুং তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানা য়ু য়োনবা থিংননবা পীরকপা অকনবা প্রেসর কয়ামরুম্না কুমজা ১৯৯১ দা লিকর প্রোহিবিসন এক্ট পাস তৌদুনা চহী অসিদগী মণিপুর পুম্বা য়ু য়োনবা নৎত্রগা শুংবদা অথিংবা থম্লকখি। এক্ট অসিদা লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈনবা খরখক সেদ্যুল্ড ত্রাইব অমসুং সেদ্যুল্ড কাষ্টকী কাঙবুনা শুংবা ফাওবদি অথিংবা থমখিদে। লৈঙাক্লো দ্রাই ষ্টেটনি হায়না লাউথোক্তুনা মতম-মতমগী ওইনা য়ু ফাগৎপা, য়ু য়োনবা থিংবা অমসুং য়ু থকপা মীশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক থৌরমশিং লৌখৎতুনা লাকখি। অমরোমদনা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানসু লৈকায় লৈকায়দা য়ু য়োনবা থিংবগী খোঙজং নিংথিজনা চত্থরকখি। অদুবু মণিপুরদা য়ু ফংদ্রে হায়বদুমদি অমুক্তা তাখিবা লৈত্রি। মসিনা উৎলিবদি মণিপুরদা লেপ্তুনা য়ু শুংলি, মীয়ামসু য়ু থক্লি, মপান্দগী য়ুঙাঙ পুশিল্লকপসু লেপ্তে হায়বসিনি। য়ুগা মরী লৈনবা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক কয়ামরুম ষ্টেট অসিদা থোকখ্রে। ঈংনা-চিক্লা পাঞ্জরম্বা য়ুম কয়া য়ুনা মরম ওইরগা পুংমুৎ মুৎখিবা য়াওরে। মসি পুন্নমক অসি মীতৈগী ৱাহৈদা চাকচা-য়ুথক ফজদবা হায়বদুদগী থোরকপনি হায়বা য়াই। অদুবু য়ু থকপনা খুন্নাই অমা চাউখৎহল্লি নৎত্রগা অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা মতেং পাংই হায়বসিমদি লৈতবা মরম্না মরু ওইনা নুপী-অঙাংশিংনা মণিপুরদা য়ু থিংবা পাম্মী। লাইবক থীবদি মণিপুরদা য়ু কনানা থিংলিবগে হায়বসিনি। এক্সাইজ দিপার্টমেন্টসু ময়া য়াওদ্রবা কৈগুম্না লৈরে। থবক তৌখিদ্রে, থবক ঙমখিদ্রে। লৈকায়-লৈকায়দা মপাঙ্গল ফনা লৈরম্বা মৈরা পায়বীশিং য়ু থিংবগী লম অসিদদি মরাই চাইথরক্লে। চপ চাবা থবক থৌরম লৌখৎননবা ঈনোৎ হাপকদবা লৈঙাক পায়রিবশিংগী মরক্তসু য়ু থকপা মীওই অদুমক য়াওবনা মখোয়সু অকনবা থৌদা পীবা ঙমদবদৌনা তৌরে। মরক-মরক্তা পুলিস পার্সনেলশিংনা দ্রাইব তৌদুনা য়ু ফাগৎপগী থবক্তি অদুমক হৌজিকসু উবা ফংই। অদুবু য়ু ফাগৎলিবা পুলিস পার্সনেলশিং অদুগী মনুংদা চাদা ৯০ দি য়ু থকই। মখোয়না য়ু থল্লগা অতোপ্পা মীনা থকপা য়ারোই হায়দুনা য়ু ফাবগী খোঙজং চঙশিনবা হায়বসিমক য়াম্না মরিং-মরাংবা থৌওং অমনি হায়দবা য়ারোই। য়ু থিংগে নৎত্রগা য়োলহল্লোই হায়বা তারগদি মণিপুর পুলিসকী পার্সনেলশিং হান্না য়ু থকপা থিংবগী তঙাইফদবা লৈ।

পুলিসনা মখোয়গী এচিবমেন্ট উৎননবা হোৎনবদা লৈকায়দা নৎত্রগা লন্নাই মীওইনা লম্বীদা পুরকপা য়ু ফারগা ফোটো নমদুনা পাউচেশিংদা হাপহল্লি। হিংননবগী লানফমদা মায়থীরবা মীওই অদুনা শিনফমবু ওইরবসু নৎত্রগা লল্লোন-পোৎপু ওইরবসু য়ু পুরকপগীদমক মহাক্কী ফোটোগ্রাফশিং পাউচেশিংদা নৎত্রগা ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংদা হাপ্পা মতমদা মরাল শুক্লে লৈজদবা মখোয়গী মচা-মশুশিংবুসু মীয়াম মাঙদা খোঙ্গোইনহনবগী মতৌ অমা তৌই। মসিমক লাইবক থীবনি অমসুং মরাল লৈজদবশিং অদুগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবনি হায়না লৌদবা ঙমদে। মখোয়গুম্বা মতু শোনবা মীওইগীনা পাউচেশিং, ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংদা ফোটো হাপহল্লগা পুলিসকী জিপসিদা য়ু পুরম্বগী ৱাথোক্তা চেন্নরিবা পার্সনেলশিং অদুগী ফোটো করিগীদমক্তা পাউচেশিংদা হাপত্রিবা করিগীনো হায়বসি মীয়াম্না হংনবা ৱাহং অমনি। অসিগুম্বা থৌদোক্তা খ্বাইদগী হেন্না মরাল লৈ হায়না লৌবা য়ারিবনা দ্রাই ষ্টেট ওইরবা মণিপুরদা লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈননা য়ু শুংবা অমসুং য়ু য়াওদ্রবদি থৌরম পাঙথোকপা য়াদবগী কলচর অসিনি। কলচর হায়বসি ঐখোয়না ঐখোয়গীদমক শেমজবনি। অদুবু চহী খরগী মমাঙদগী হৌনা মণিপুরদা মমাঙথক্তা চৎনরমদবা লিচৎ কয়ামরুম চৎনবী ওইশিল্লকপসিনি। মীওই অমা লৈখিদবগী মথৌ-মঙম পাঙথোকপদা থৌগল তৌরিবা মীয়ামগী য়ু য়াওদবা য়ারক্তবা, ইপান থাবগী থৌরম নৎত্রগা চাকচা-হৈজানবগী থৌরমশিংদা য়ু য়াওদবা য়ারক্তবা হায়বসি ষ্টেট অসিগী ওইনা লাইবক থীবনি। পুন্নমক অসিগী মথক্তা ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্কদবা জেনরেল পঞ্চায়ট ইলেক্সনগা মরী লৈননা য়ু পীথকপগী চৎনবী অমা অমুক হাপচিল্লক্লিবা অসিসু অমনি। মসি খুন্নাই অসিনা পীবা খূদোল অমনি হায়না লৌদবা য়ারোই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি পুলিস পার্সনেলশিংনা ওফিসল ওইনা শিজিন্নগদবা জিপসিদা য়ু পুবা হায়বসিমদি খ্বাইদগী শাথিনা লানবা থৌওংনি। য়ু পুবদা চেন্নরিবা মীওই খূদিংমক পুলিসনা ফাগদবনি অমসুং মখোয়গী মথক্তা লোগী ওইবা থবক থৌরমশিং লৌখৎকদবনি। মখোয় খরা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌই হায়রিবসিদি দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারিগা মরী লৈননি। লোগী ওইবা থবক থৌরমগী নত্তে। অমরোমদা ইমুং-মনুংদা থোকপা লাইনিং-লাইশোলগী থবক থৌরমশিংদা য়ু শিজিন্নবগী চৎনবী অসিমক্তংগা লৈরমদ্রগদি য়ু পুবদা চেন্নরল্লিবা পার্সনেলশিং অদু শাথিনা মরাল লৈরবশিংনি হায়বা য়ারম্বনি। মসিমক মতুং তারকপদা হায়বা য়ানবগীদমক্তা মী শিবগী মথৌ-মঙম পাঙথোকপা, অঙাং উনবগী ইপান থাবা, ইলেক্সনদা য়ু খাঙবা অমসুং অতে লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈনবশিংদা মরম চাদনা য়ু য়াওদবা য়াদবগী চৎনবী অসিমক্তংগা থিংননবা খন্নহন্নিংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### ঈচাওনা মাঙ তাক্লুরবা লৌফমশিংদা মিৎয়েং চঙবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর*

**মণিপুরদা** থা অনী অহুমলোম অসিদা ইখঙ খঙহৌদনা নোং খরা হেন্না তাবদগী মণিপুরগী মরুওইবা তুরেল কয়া ঈচাও থোক্তুনা অমদি তুরেল কয়াগী মফম কয়াদা পাথোক্তুনা য়ূম-কৈ কয়া ঈশিংনা থুমজিনখিবদগী মীওই কয়া য়ূম ফাওবা লৈতদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা শাইদাংদুনা লৈনখি। চুন্নগী য়ূম-কৈ থুম্বদা নত্তনা য়ূম কয়া মাঙ তাকখি। লৌবুক-লম্হাং কয়াসু লৌগী থবক লোইনরুরবা মতুংদা ঈচাও অদুনা তুম্না মাঙহনখি। হন্দক্কী লৈঙাক অসিগী লাইবক থিবা অমা ওইজরবসু হায়বদি শেমগৎ শাগৎপগী লৈবাক্কী চাওখৎ খোঙথাংগী থবক্তা পায়খৎপা য়াবা কয়া পায়খৎতুনা লম্বী-থোং অমদি অতে ইন্দষ্ট্রিএলাইজেসনগী চাওখৎনবা হোৎনবা কন্না পোরম য়াৎলিঙৈদা নেচরেল কেলামিটি অসিনা নীংবদি খরা কায়হনখি। মদুমক্লা অৱাবা তারবশিংদা লৈঙাক্লা পাঙবা য়াবা মতেং কয়া পাঙখিবগা লোয়ননা এম এল এ অমদি মন্ত্রি কয়ানা ঈচাওনা শোকহল্লবা মফম কয়াদা চৎতুনা য়েংশিন্দুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎখি।

নাকল অমরোমদা মণিপুরগী ওর্গেনাইজেসন কয়ানা মানা মানা অঙম্বা তেংবাঙ কয়া চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা দান তৌনরকখি। মণিপুর তম্পাক্কী মফমদতা নত্তনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াদসু হন্দক্কী ঈচাও অসিনা য়ূম-কৈ কয়া মাঙ তাকহনখিবদা নত্তনা চীংমাই কয়া ফাওবা নমথদুনা অৱাবা কয়া মীয়ামদা নংহনখি। হৌজিক ঈশিং থুমজিনবদগী মাঙ তাকখ্রবা লৌবুকশিংদা লৌমীশিংনা মশা মশাগী শেল পুথোক্লদুনা ফৌগী লৌহোন লৈদুনা চহী অমগী চাবা কোন্ননবা হায়দুনা থবক পায়খৎপা হৌনখ্রে। কনাগুম্বা মীওই কয়ানা ফৌদি ওইনা হুনবসু য়াওনরি। অদুবু এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা ঈশিং থুমজিনখিবদগী মাঙ তাকখ্রবা লৌফমশিংদা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনবগী পাউদি ইতা তাদবগুম্লি। মরম অসিনা হৌজিক হৌজিক মীয়াম্না লৌ অমুক হন্না লিংদুনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী থৌমীশিংনা করম্বা মওংদা হারনচিংবা শীজিন্নগদগে হায়বনচিংবশিংগী মতাংদা মিৎয়েং চঙবীয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৫

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) পোংথৌ (খ) লিনকোই

২। "মৈতৈ মমা ওইরিবী/মৈতৈলোন লাইরবী.../ভারত শঙ্গাই নাকথদা.../ফিদা নাইগুম তারিবী।" পরেংশিংসি 'ইরোল' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোক্লকপনি। কবি কনানা ইরম্বনো?

৩। "ঐগী ধর্ম লৈতে/... হৌজিক্কী মিৎকুপ অসিতনা/অশেংবা অকক্লবনি/ঐ মীবু পূজা তৌজগে।" মীবু পুজা তৌজগে হায়রিবা কবি অসি কনানো?

৪। "ফৎত্রবা নুপাশিংগী তমথিবা ঙাঙলবা ঈখেং ঐনা কয়াদা পেঞ্জখিবা।" পরেংসি 'শিঙ্গারৈগী লৈকাদা' কৌবা নোভেল অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। নোবেল ইবা যোদ্ধচন্দ্র সনসম অসি ৱারীমচা ইবা ওইনা শাফোঙলকপনি। মাগী ইহান হানবা ৱারীমচাগী লাইরিক্তুগী মমিং করি কৌবগে?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

# ফৌদা তাবা লায়না তীলনা অমসুং ঙাকথোক্লবা উপায়

ডা: এম থোইথোই সিংহ



Black smut or bunt



Grasy stunt



Root knot nematode

**মালেমগী** ওইনা ফৌদা তাবা লায়না ৯৫ মুক অমসুং তীলনা মখল ৯৫০ মুক লৈ হায়না পানৈ। অদুম ওইনমক মফম অমত্তদা পূন্না তাবদি নত্তে; লম, লৌফম অমসুং কুম খেন্নবগী মতুংইন্না লায়না তীলনা তাবগী চাং খেন্নৈ। মণিপুরগী লৌফমশিংদা তারিবা লায়না তীলনা চহী খুদিংগী খেন্নৈ, অকন কন্দা মান্নদে। কুম অমদা য়াম্না কনবা লায়না নৎত্রগা তীলনা অমা, কুম অমদা য়াম্না শোনবা নৎত্রগা মশক ফাওবা উদবা য়াই। মশক উরমদবা লায়না নৎত্রগা তীলনা চহী অমদা য়াম্না কনবা য়াওই। অদুবু চহী খুদিংদা লায়না তীলনা মখল ১৫-২০ ফাওবদি শোয়দনা থেংনরে। লায়না তীলনা খরা অসিগী মনুংদসু খরা অমদি চহী খুদিংগী থেংনরি।

পোত্থোক হেনগৎনবগীদমক চহী খুদিংদা থেংনরিবা লায়না, তীলনা অমসুং নাপীশিংগী মশক, শন্দোকপগী মওং অমসুং ঙাকথোক্লবা উপায়শিং খঙদোক্তুনা লায়না তীলনা তাবগী চাং হন্থহনবা চঙই।

ফৌদা তাবা লায়নাশিং অসি কোকফাই, বেক্টেরিয়া, ভাইরস অমসুং নেমাটোদশিংনা থোকহল্লি। মসিগী মথক্তা মচিঞ্জাক হেনবা অমসুং ৱাৎপদগী থোক্লকপা লায়না কয়া অমসু লৈরি।

**কোকফাইনা থোকহনবা লায়নাশিং :** লায়নাশিং অসি লায়ওং উৎফমগী মতুং ইন্না *মনাদা থোকহনবা লায়না*, *মখোক অমসুং মকাদা থোকহনবা লায়না* অমসুং *চরোং অমদি ফৌ মরুদা থোকহনবা লায়না* হায়না খায়দোকপা য়াই।

**ফৌনাদা থোকহনবা লায়নাশিং :** (১) ব্লাষ্ট (Blast) (২) মনা কোহ্লিং কাবী (Brown spot) (৩) মনা তেঙ্গালি কাবী (Leaf smut) (৪) মনা মতোন লাংলগা কংবী (Leaf scald) (৫) মনাগী মখোঙ পৎপী (Collar rot) (৬) ষ্টেক বর্ন (Stack burn)

**ফৌখোক অমসুং মকাদা থোকহনবা লায়নাশিং :** (১) ফৌখোক মুবী (Stem rot) (২) ফৌখোক লাংবী (Sheath blight) (৩) ফৌরাবা (Bakanae or Foot rot) (৪) চরোং শাত্তোকপা ঙমদবা (Sheath rot) (৫) সিথ স্পোট (Sheath spot)

**ফৌ চরোং অমসুং ফৌ মরুদা তাবা লায়না :** (১) ফৌ কম্বোং (False smut or green smut) (২) কর্নেল স্মট (Kernel smut) (৩) ব্লেক স্মট নৎত্রগা বর্ন্ট (Black smut or Bunt) (৪) উদবাটা (Udbatta) (৫) ফৌ মরু খামদেকপী (Seed diacolouration)

**বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা লায়নাশিং :** (১) বেক্টেরিয়েল লিফ ব্লাইট (২) বেক্টেরিয়েল লিফ ষ্ট্রিক (৩) বেক্টেরিয়েল ষ্ট্রাইপ নৎত্রগা বেক্টেরিয়েল ব্রাউন ষ্ট্রাইপ (৪) বেক্টেরিয়েল সিথ ব্রাউন রোট (৫) বেক্টেরিয়েল সিথ রোট (৬) বেক্টেরিয়েল গ্রেন রোট অসিনচিংবনি।

**ভাইরস অমসুং মাইকোপ্লাজমানা থোকহনবা লায়না :** ভাইরস অমসুং মাইকোপ্লজমানা থোকহনবা ফৌগী লায়না ২১ মুক লৈ হায়না পানৈ। মসিগী মনুংদা ১৭ তি তীল কাংনা শক দাকই। লেমহৌরিবশিংগী মনুংদা নেক্রোসিস মোজাইক ভাইরসনা লৈবাক্তগী শন্দোকই, মোজাইক ভাইরসনা পাম্বীদা খোগাই খেৎকায়বদগী শন্দোকই অমসুং রিস্কল ষ্টন্ট ভাইরস অমসুং ৱিটচ ব্রুম ভাইরসনা মরুদা চেন্নরকই। মরুওইবা লায়না খরদং পল্লবদা-

(১) তুঙ্গ্রো (Tungro) (২) গ্রেসি ষ্টন্ট (Grasy stunt) (৩) য়েল্লো দ্বার্ফ (Yellow dwarf) (৪) ওরেঞ্জ লিফ (Orange leaf) (৫) য়েল্লো মোটল (Yellow mottle)

**নেমাটোদনা থোকহনবা লায়না :** (১) মরাদা মতুম মতুম ওইনা কিশি কিবা মানবা (Root knot nematode) (২) মনা মতোন কংবী (White tip) (৩) ষ্টেম নেমাটোদ (Stem nematode) (৪) রুট নেমাটোদ (Root nematode)

**মহীক নত্তবশিংনা থোকহনবা লায়না (Non parasitic diseases) :** (১) মচিঞ্জাক ৱাৎপগী লায়নাশিং (২) ষ্ট্রেট হেদ (৩) ব্রোঞ্জিং অসিনচিংবনি।

মরুওইবা লায়না খরখক লৌখৎলগা অমমমতা ওইনা নৈনবা য়াই। লায়নাগী মমিংশিংবু লমদমসিগী লোন্দা ফোঙদোকপদা খুদোংচাদবা খরদি লৈ।

# থবক শীজিন্ননবা ষণ লাবশিং খন্দোকপা

ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী




FIG. 13.1 TRAINING YOUNG BULLOCKS TO PULL LOADS




FIG. 13.2. YOKE WITH IRON BARS TO CONTAIN NECKS OF BULLOCKS IN POSITION




FIG. 13.3. A SIMPLE YOKE

A. Neck rope ; B. Holes in the wooden beam for passing the ropes through ; C. Wooden beam.



**ষণ** লাবশিংসি মশাগী মপাঙ্গলসি ষণবুশিংনা লৌউ-শিংউ তৌবদা হায়বদি শম্পোৎ খোইবা, উকাই তকপদা, লৌ লোকপদা, ঈশিং চিংখৎপদা, মী অমদি পোৎ পুথোক পুশিন তৌবদা শীজিন্নরি।

ষণ পাবোট অমনা পুং অমদা কিলোমিটর ৪-৫ ফাওবা চৎপা ঙম্মী। কা হেন্না থুনা চৎহন্দ্রগদি নোংমদা কিলোমিটর ২৫-৩০ ফাওবা চৎপা ঙম্মী। নোংমদা মখোয়না চৎপগী চাংসি মফমদুগী হৱা নুংশিৎ, মখোয়দা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং, শাবন লাকপা পোৎলমশিং অমদি মখোয়বু পুদুনা চৎলিবা মপূদুগীসু মখা য়াম্না পোল্লি। য়ামদ্রবদা নোংমদা ষণ লাবা অমনা পুং ৫ দগী হেন্না থবক শুহনবীরোইদবনি। খরা ৱাদবা নৎত্রগা য়াংবা থবকশিং শীজিন্নগে হায়রগদি হায়রিবা পুং ৫ দগী খরা হেনবা ফাওবা শীজিন্নবা য়াই। থবক শীজিন্নগদবা ষণশিংসি য়াম্না ঈং-তপ্পা, শাওগন্দবা ওইগদবা, মশা-মউ ফবা, নীংথিনা ৱাং-চাওবা ওইগনি অমদি চৎপা মতমদসু মশা য়াঙনা চৎপা ঙম্বা ওইগনি।

**থবক শীজিন্নবা হৌবগী মতম :**

হান্নদগী লৈজরক্লবা ষণ ওইরগদি চহী ৪ শুরকপদগী থবক শীজিন্নবা য়ারে অদুগা ক্রোস ব্রিদ ওইরগনা হায়রিবা মতমসিদগী ঙন্না শীজিন্নবা য়াই। ষণ লাবশিং চহী নৌনা শীজিন্নরগদি চাওদম থিনগনি, শরু শয়াং মপূং ফাবা ঙমদে, চহী য়াম্লবা ষণ শীজিন্নববুদি চহী নৌরিবা ষণ হায়বদি শীজিন্নবা য়ারবা মতমদা লাঙ্গোল হাপ্তুনা শীজিন্নবনা হেন্না তুং কোয়না শীজিন্নবা য়াই। থবক শীজিন্নগদৌরিবা ষণ লাবশিং থবক হৌদ্রিঙৈদা মখোয়না চহী ১-২ শুরকপদা মশা শেমদোকপীবা য়ারে। মতম চানা মশা শেমদোকপীহৌরগদি ষণ লাবশিংসি ফীংদবা, ঈং-তপ্পা অমা ওইহল্লি, শাথিদে। মশা-মউ ফৈ, তুপ-তুপ লাউগানবা ওই। করিগুম্বা চহী লীরবা ষণ লাবশিং লাঙ্গোল হাপ্তুনা থবক শীজিন্নবদা ৱানা থোকই, তন্বীরগসু তুং কোয়না চৎতে।

**থবক শীজিন্ননবা ষণ লাবা খনবা :**

ষণ লাবশিং চাওরি মতিক থবক য়াম্না শুবা ঙম্মী। শোন দম্নবা ষণ ওইরগদি কা হেন্না শাংনা শুবা ঙমদে। থবক শীজিন্নবা ষণ খনবা মতমদা মখোঙ মরিমক অশোয়-অঙাম য়াওরোইদবনি। ষণ লাবশিংগী মরুম/মনম পোল্লিবদু য়াম্না চেকশিন্না চাওবা ওইগনি। মনিংগী অশাংবা শরুক্তু লেভেল অমদা লৈগনি। মশাগী শন্দোংশিং মত্রং-মত্রং কাবা/কনবা শরুশিং অশোয় অঙাম য়াওদবা ওইগনি। ষণগী লোংখুমগী মচু মুবা, অনীগী কারক্তা শীৎ নানবা অমদি পরেং অমতদা লৈবা ওইগনি। লোংখুম অনীগী মরক্তু কা হেন্না লাওবা ওইরোইদবনি। খুউগী শরু চাওথোকপা, চৎপা ঙমদবগী অৱাবা লৈত্রা হায়বদু য়েংশিনবীগনি। ষণগী মঙকসু মখল অমতগী অপোম্বা লৈরোইদবনি। ষণ লাবশিংদু পোৎ পুবা ঙম্বা ওইবতা নত্তনা লেপ্পা মতমদা মকোক হাইগৎনা লৈবা, থবক তৌবা মতমদা মমৈ ৱাংখৎনা লৈবা উগনি। মসিনা তাক্লিবসি ষণশিংদু য়াম্না মীৎ-না শিংবা, মশা মউ খিংবা অমদি চেকশিনবগী মওং উৎপনি।

থবক তৌনবা ষণ পাবোট অমা শেম্বা মতমদা ষণ লাবা অনীমক চাও-শাংবা মান্নগনি , ইং তপ্পা ওইগনি। করিগুম্বা অনীমক চাওবা মান্নদ্রগদি লাঙ্গোল হাপ্পা মতমদা চপ চানা ফীভম তানা হাপ্পা ঙমদে। অসিগুম্বা ষণ লাবা অনীমক চাও শাংবা মান্নদ্রগদি খ্বাইদগী চাওবদুনা পোৎলুম অয়াম্বা পুই। মসিদা অচৌবা ষণদা অৱাবা অমা ওইহল্লি অমদি মতিং হুৎনা থবক তৌবা ঙমদে।

**লাঙ্গোল হাপ্পগা থবক শুবা তম্বীবা :**

মতম চঙনা ষণ লাবশিং থবক শীজিন্নবা তম্বীবদা অরেম্বদা মাঙদে। তাকপী তম্বীদ্রি মমাঙ থা ১-২ ৱাৎলিঙৈদা ষণগী মনাতোন্দা মখুল হুৎতুনা নাতোন্দা থৌরি থিংজিল্লগা শেম্বীগনি। অহানবদা ষণ লাবসি ষণবুনা পুথোক্তুনা মাগা মত চান্ননবা হোৎনবীগনি। তাকপী তম্বীগদৌরিবা ষণ লাবদুদা মপূনা তাথি তাওই তৌবিরোইদবনি অমদি ফু চৈবসু তৌবিরোইদবনি। ষণ লাবশিংবু মপূদুনা তুং কোয়না লোইনগদৌবা মরম্না মপূনসু মরুপকুম্না নিংথিনা শেন্নবীগনি।

অনীশুবদা ষণ লাবশিংদু লাঙ্গোল হাপ্পা তম্বীগনি। লাঙ্গোল হাপ্পা মতমদা ষণ অনীমক্তা হাপ্পগা ষণ লাবা অনীমক হান্না লৈরম্বা সাইটতা লৈহনগনি হায়বদি ষণ লাবদু লাঙ্গোল হাপ্পগা ওইরোমদা লৈরগদি ওইরোমদা অদুমক লৈহনগনি। অদুগা য়েৎলোমদা লৈবদুনা মতম পূন্নমক্তা অদুমক লৈগনি। ষণ অনীমক্লা লাঙ্গোল হাপ্পগা চৎপা ঙম্লগদি পোৎশিং য়াম্লবদা কেজি ৭৫ মুক্কী পোৎ লাঙ্গোলগী ময়ায়দা থল্লগা থৌরিনা চিংবা তম্বীগনি। মসিগী মওংসিদা হৈনরগদি মপূনা কম্মান্দ তৌবা খুদিংমক হায়বদি লেপ্পু, চৎলু, চেল্লু, য়েৎতা লৈবা, ওইদা চৎপা, চুম্না চৎপা খুদিংমক তম্বীবা য়ারে। মসিগীদমক্তা মশীং য়াম্না চপ মান্ননা তৌহন্দুনা কম্মান্দ তৌবা খুদিংমক মতুং ইন্নবা হোৎনরক্কনি।

**পীজ-পীথক তৌবা :**

শীজিন্নবগী মতুং ইন্না মচিঞ্জাকসু হেন্না অমদি খরা হন্থনা পীজবীগনি। কা হেন্না থবক শীজিন্নবা মতম হায়বদি লৌউ-শিংউগী মতমদদি হেন্না পীজবীবা মথৌ তাই। পীজবিবা মতমদা মফোনগী শরুক্লা খরা হেন্না পীজবীবা মথৌ তাই। শজিক ঙাক্তা পীজবীবগী ৱাখল ষণবুনা থাদোকপীগনি। মশা-মউ ফনা থম্নবা অমদি লূ-নান্না থম্নবা ষণবুনা ষণগী মশাশিং তকথোকপীগনি। মশা শেংদোকপা মতমদসু থবক হৌরবা মতুং নৎত্রগা হৌদ্রিঙৈ চরু খুবাম অমা পায়বিদুনা মশাদু তকথোকপীগনি।

য়াম্না শাবা মতমদা ষণশিংদু থবক শুহনবীরোইদবনি। কালেনগী মতমদদি অয়ূক পুং ১০ ফাওবা অমদি নুংথিলগী মতমদনা পুং ৩-৬ ফাওবা শীজিন্নবীগনি। পুং ২ শুরবা মতুংদা ঙাইহাক অমুক ষণশিংদু পোত্থাহনবীগনি। পোত্থাবা মতমদসু উরুম লাংবা মফমদা থম্বীদুনা ঈশিং মরাং কায়না পীথকপীগনি। কা হেন্না ষণশিংদু থবক শুহনবীরোইদবনি। মসিনা লুম্বা হন্থহনবদা নত্তনা মশাদসু অশোয় অঙাম য়াওরকই। মফম খরদদি থবক তৌদ্রিঙৈদা ষণগী লোংখুমদা খোঙউপ উপ্পী। মসিনা খোঙ শোকপগী চাং হন্থে। লোংখুমগী খোঙউপশিংসি থবক অদুম শীজিন্নরগদি থা ২ খুদিংগী শিনবীগনি।

অসুম্না নীংথিনা ষণবুশিংনা মশাগী ষণশিংদু কা হেন্না ফুবিদনা হেন্না অরুম্বা পোৎলম কয়া অমা হাপ্পীদুনা পাবোট শেল্লিবা ষণশিংদা খক তৌবিরোইদবনি অমদি লুনা তৌবিদুনা নীংথিনা পীজ-পীথক্তুনা মরুপকুম্না ষণবুশিংনা লোইনবীগনি।